## লম পায়শিনবগী মরাল শীখ্রে

পটনা, জুলাই ০৩ (এজেন্সী):

বিহারগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর রেনু দেবীগী মৌপ্পানুপা রবি প্রসাদপু লোনা য়াদবা মওংদা লম পায়শিল্লি হায়না ইরাই নুমিত্তা পটনাগী পাতেল নগর এরিয়াদা লৈবা মীওই অনীনা মরাল শীখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিনবীনবা লম অদুগী মপুশিং ওইরিবা ব্রহ্মানন্দ সিংহ অমসুং শ্রাৱনকুমারনা চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমার, চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পি য়াওনা বিহারগী মকোক থোংবা অতৈ ওফিসলশিংদা লেট্টরশিং ইদুনা হায়জখ্রে।

ব্রহ্মানন্দ সিংহগী মতুং ইন্না, রবি প্রসাদ এলিয়স পিনু অমসুং মহাক্কী এসোসিএটশিং জুন ২১দা পাতেল নগরদা লৈবা ঐহাক্কী প্লোট অমা লোনা য়াদবা মওংদা পায়শিনখি। মখোয়না প্লোট অদুদা ৱাল ফাওবা চনখৎখি। মখোয়গী নম্ফুগী থৌওং অদুদা অথিংবা পীরুবদা প্রসাদনা ঐহাকপু খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লরক্কনি হায়না কিহল্লকখি অমসুং মহাক্কী এসোসিএটশিংদা ঐহাক অমসুং শ্রাৱনবু পটনাদা লৈবা দেপ্যুটি সী এম রেনু দেবীগী ওফিসল রেসিদেন্সতা পুনবা খঙহনখি।

## মীওই অহুম ফারে

মুম্বাই, জুলাই ০৩ (এজেন্সী):

নোংলৈ-নুংশিৎ টোক্তে শীৎখিবা মতমদা মুম্বাই সমুদ্র খোংবান মনাক্তা বার্জ পি-৩০৫ লূপখিবগা মরী লৈননা শিপিং ফার্ম অমগী দিরেক্টর অমা য়াওনা ওফিসল ৩ ফারে হায়না থাংজ নুমিত্তা সিটি পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী মতুং ইন্না ইরাই নুমিত্তা ফাখিবা মীওই অহুম অদুদি প্রসাদ গুনপত রানে (৪৩), নিতিনকুমার সিংহ (৩২), অখিলেস ৱার তিৱারি (৪৯) নি। রানে পাপা শিপিং প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজর অমনি, সিংহনা দিরেক্টরনি অমসুং টিৱারিনা টেক্নিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট অমনি।

ও এন দি সীনা মসিগী ওফশোর্ট গ্যাস অমসুং ওইল ফীল্ডশিং মেন্টিনেন্স তৌনবগীদমক এনগেজ তৌখিবা কন্ট্রেক্টর অমদা কম্পনিনা পীখিবা বার্জ পি-৩০৫ অসি হৌখিবা মে ১৭তা গুজরাট লাল্লগা মহারাষ্ট্রাগী সমুদ্র খোংবান লাল্লগা শীৎচিল্লকখিবা নোংলৈ-নুংশিৎ টোক্তেনা হুমদৎপদা ঈশিংদা লূপখিবনি।

## পুশকর ধামিনা থা মরিগী মনুংদা উত্তরাখন্দগী অহুমশুবা চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৩ (এজেন্সী):

খাতিমাগী এম এল এ পুশকর সিংহ ধামিবু থাংজ নুমিত্তা উত্তরাখন্দ বি জে পি লেজিসলেচর পার্টিনা ষ্টেট অসিগী ১১শুবা চীফ মিনিষ্টর খনখ্রে।



পার্টিমনুংদা য়ানদবা কয়া লৈরিঙৈদো তিরাত সিংহ রৱাতনা ফম অসিদগী রিজাইন তৌখিবা মতুং মথংগী নুমিত্তা খোঙথাং অসি লাকপনি। এম পি অমা ওইরিবা তিরাত সেপ্টেম্বর ১০ ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ওইবা য়াবগী চান্স লৈরক্তবদগী মহাক্না ফম থাদোকপগী ৱারেপ লৌখিবনি।

কেপিটেল দেহরাদুনদা লৈবা পার্টিগী হেদক্বার্টরসতা উত্তরাখন্দগী বি জে পি এম এল এ ৫৭না মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগা নকশিন্নে হায়না খন্নবা ধামিগী মিং লাউথোরকখিবনি।

মশাগী চহী ৪৫ শুরবা ধামি ষ্টেট অসিগী কুমাওন রিজনগী মনুং চনবা খতিমা কন্সটিট্যুএন্সিদগী অনীরক মায় পাক্লে। মহাক উত্তরাখন্দগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ভগত সিংহ কোশিয়ারি ওফিসর ওন স্পেসল দ্যুটি ওইখি।

লেজিসলেটিভ পার্টিগী লীদর খল্লবা মতুংদা ধামিনা বি জে পিগী লুচিংবশিংবু মঙোন্দা থাজবা থন্নীবগীদমক্তা থাগৎখিবা অদু মীপূম খূদিংমক্কী কোওপরেসনগা লোয়ননা ষ্টেট অসিনা মায়োক্লরিবা শীংনবা খূদিংমক মায়োক্লগনি হায়খি।

উত্তরাখন্দগী এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্কদবা চহী অমা ফাদ্রবনি। এম এল এশিংদা নত্তনা থাংজ নুমিৎকী মীফম অদুদা বি জে পিগী সেন্ট্রেল ওবজর্ভর নরেন্দ্র সিংহ তোমারসু শরুক য়াখি। তোমারনা রৱাত মশামক য়াওনা ষ্টেট লীদর কয়াগা খন্ন-নৈনখি।

পার্টি মনুংদা ত্রিভেন্দ্র সিংহ রৱাতপু য়ানীংদবা কয়া য়াওরকপদগী এম পি অমা ওইরিবা তিরাত সিং রৱাতনা হৌখিবা মার্চতা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি।

এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্কদবা মতম চহী ফারক্তবগা লোয়ননা কোভিদ পেন্দমিক মরক্তা মরক্কী মীখল পাঙথোকপা হায়বসি ওইথোকপা য়াবগী ৱাংমদা লাকখি। মসিগী মথক্তা অনীশুবা কোভিদ ৱেভ মনুংদা ইনফেক্সন ৱাংখৎলক্লিঙৈদা মার্চ-এপ্রিলদা ষ্টেট মঙাদা মীখল পাঙথোকখিবগা মরী লৈননা হন্দক্তা ইলেক্সন কম্মিসনবু মায়কৈ কয়াদগী চৈনখ্রবনি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ত্রিভেন্দ সিংহ রৱাতনা এন দি টি ভিদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়, মথংগী মীখল পাঙথোক্কদবা চহী ফারক্তবগা লোয়ননা উত্তরাখন্দদা কন্সটিট্যুসনল ক্রাইসিস অমা লাক্লে। ইলেক্সন কম্মিসননা বাই-ইলেক্সন পাঙথোকপগী অয়াবা পীগদ্রা ? ষ্টেট খরদা কোভিদ পেন্দমিক লৈরিঙৈদা মীখল পাঙথোকপা য়ারোই হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা অইবা ৱারোল অমদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

চৈরক অসিদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা দেল্লীদা লৈদুনা বি জে পিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা ৱারী শানরকখিবা তিরাত সিংহ রৱাতপু ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা ফম থাদোক্লবা খঙহনখি। মদুগী মতুং মহাক্না য়াম্না থুনা গভর্ণর বেবি রানি মৌরয়াগা এপোইন্টমেন্ট অমা লৌখি। গভর্ণরগা উনদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্না পার্টিগী চীফ জে পি নাদ্দাদা রেজিগনেসন পীশিনখি।

## লাইমিং লৌবগী কেসতা ঈ দিনা দেল্লী, য়ু পিদা থীবা-হুস্বা চথখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৩ (এজেন্সী):

মীওই কয়া মশাগী লাইনিং লন্বী থাদোকহল্লগা অতোপ্পা লাইনিং লন্বী অমদা লাইমিং লৌহনখিবগী কেসকা মরী লৈননা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ঈ দি)না মনি লোন্দরিংগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা ফাইনান্সিএল প্রোব এজেন্সি অসিনা দেল্লী অমসুং উত্তর প্রদেশকী মফম তরুক্তা থী-হুস্বা চথখ্রে।

ঈ দি ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, এজেন্সি অসিগী স্লুথশিংনা কেস অসিগা মরী লৈননা দেল্লীদগী ফাখিবা মোহম্মদ উমার গৌতমগী প্রেমিসিজ দা থী-হুস্বা চথখি।

এজেন্সি অসিনা সাওথ দেল্লীগী জামিয়া এরিয়াদা লৈবা গৌতমগী রেসিদেন্সিএল অমসুং ওফিস প্রেমিসিজ অমদি উত্তর প্রদেশকী মফম কয়াদা থী-হুস্বা চথখি।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না, ইস্লামিক দাৱাহ সেন্টর (আই দি সী)গী ওফিস, গৌতমগী এসোসিএট মুফতি কাজি জহাঙ্গির কাসমিগী প্রেমিসিজদা থী-হুস্বগী থবক চথখি। থী হুম্নিবা মফমশিং অদু দেল্লীগী জামিয়া নগরদা লৈবা ঙাক্তনি।

উত্তর প্রদেশতা ঈ দিনা লক্ষ্ণৌদা লৈবা অল হশন ফাওন্দেসন, ৱেলফেয়র ফাওন্দেসন অমদি গাইদেন্স এদ্যুকেসন অমসুং ৱেলফেয়র সোসাইটিগী ওফিসশিংদা থীবা-হুস্বা চথখি।

ছোর্সশিংনা হায়, ওর্গনাইজেসন অসি গৌতমনা চল্লাইবা ঙাক্তনি। মীওই কয়া লোনা য়াদবা মওংদা লাইমিং লৌহনখিবদা মখোয় চেন্নখি।

থীবা হুস্বদা ফংখিবা দোক্যুমেন্ট কয়ানা একুজ গৌতম অমসুং মহাক্কী ওর্গনাইজেসনশিংনা ইন্দিয়া শীন-থুংনা লাইমিং লৌবগী অচৌবা রেকেট অমা চল্লাই হায়বসি উৎখি। মীওই কয়া লোনা য়াদবা মওংদা লাইমিং লৌহন্নবা হোৎনবগা মরী লৈননা একুজ ওর্গনাইজেসনশিং অদুনা লুপা ক্রোর কয়াগী ফোরেন ফন্দিং ফংখি হায়বসিসু দোক্যুমেন্টশিংদুনা উৎখি।

মপান লৈবাকশিংগা মরী লৈনবা কনভর্সন রেকেট অসিগী মতাংদা এ টি এসনা রেজিষ্টর তৌখিবা এফ আই আরদা য়ূম্ফম ওইরগা ঈ দিনা মনি লোন্দরিংগী কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি।

ঈ দি ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, এজেন্সি অসিনা কাশমি অমসুং গৌতম হায়রিবা দেল্লীদা লৈবা মীওই অনী অসি কেস অসিদা একুজ শিং ওইনা মমিং পল্লে। মখোয় এ টি এসনা ফাবনি। কেস অসিদা ঈ দিনা ফোরেন ফন্দিং অমসুং মনি লোন্দরিংগী এঙ্গলশিং য়েংশিল্লি।

দেল্লীদগী মীওই অনী অসি ফারবা মতুংদা হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা অঙাংশিং অমসুং নহারোলশিংবু লাইমিং লৌবদা চেন্নবা মীওইশিংগী মায়োক্তা গেংষ্টর এক্ট অমসুং নেসনল সিক্যুরিটি এক্ট (এন এস এ)গী মখাদা এক্সন লৌখৎনবা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যানাথনা ওর্দর তৌখ্রবনি।

এদিসনল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) প্রশন্ত কুমারনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাউমীশিংদা হায়খি, মশামক হিন্দুইজমদগী ইস্লামদা লাইমিং লৌখিবা গৌতমনা য়ামদ্রবদা নন-মুসলিম ১০০০ ইস্লামদা লাইমিং লৌখ্রে হায়না ফোঙনা ক্লেম তৌখি।

## ভিক্টিমশিং মতেং পাংনবা এক্সিদেন্ট রেস্পোন্স টিম শেমখ্রে

গুরুগ্রাম, জুলাই ০৩ (এজেন্সী):

গুরুগ্রাম পুলিসনা এক্সিদেন্ট রেস্পোন্স টিম অমা শেমখ্রে। টিম অদুনা এক্সিদেন্ট মফমদা খূদক্তা চঙশিন্দুনা রোদ এক্সিদেন্ট ভিক্টিমশিংদা ফর্ষ্ট এইদ পীগনি, মখোয়বু মতম চানা মতেং পাংগনি অমসুং রোদ এক্সিদেন্টশিংদা চেন্নরিবা গাড়ীশিং মশক খঙদোক্কনি।

এক্সিদেন্ট ভিক্টিমশিংবু মতেং পাংনবা অমসুং চেন্নবা গাড়ী মশক খঙদোক্লবা পুলিস দিপার্টমেন্টনা মানেসর এরিয়াদা রেস্পোন্স টিম অমা শেমখ্রে।সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা হীরম অসিগী মতাংদা ফোঙদোকপদা টিম অসিনা মরু ওইনা তৌগদবদি খূদক্তা এক্সিদেন্ট মফমদা য়ৌশিনবা অমসুং চেন্নবা গাড়ীশিং মশক খঙদোকপগা লোয়ননা রোদ এক্সিদেন্ট ভিক্টিমশিং মতম চানা ত্রিটমেন্ট ফংহনবা অসিনি।

রেস্পোন্স টিম অসিনা থুনা থবক তৌবা অসিনা এক্সিদেন্টতা চেন্নরিবা গাড়ী অদুগী দ্রাইভর থৌদোক থোকফমদুদগী ফাবদা মতেং পাংগনি। এক্সিদেন্টকী থৌদোক কয়াদা পুলিস টিমনা এক্সিদেন্ট মফম হেক য়ৌবগা দ্রাইভর অদু অশোকপা মীওই হুন্দোক্লগা মহাক্কী গাড়ীগা লোয়ননা মফমদুদগী চেনখি।

থৌরাং অসি অথুবা মতমদা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা প্রাইভেট ফার্ম অমনা গুরুগ্রাম পুলিসতা ইর্তিগা অমা শিন্নরক্লে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

আই এম টি মনেসর ইন্দষ্ট্রিএল ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট পাৱন য়াদবনা হায়, গাড়ী য়ামখৎলকপদগী লন্বীদা এক্সিদেন্ট থোকপা হেনগৎলক্লি। ফিভম খূদিংমক্তা গাড়ী অসিনা রোদ এক্সিদেন্টশিংগী ভিক্টিমশিংদা মতেং পাংগনি।

পুলিস দিপার্টমেন্টনা থুনা এক্সন লৌখৎপা অসিনা এক্সিদেন্ট ভিক্টিমশিং জষ্টিস থুনা ফংহল্লগনি হায়না য়াদবনা ফোঙদোকখি।

## সী বি আইনা দি এ কেস ফাইল তৌখ্রে

ভিসাখাপটনম, জুলাই ০৩ (এজেন্সী):

ইনকম ছোর্সশিংগা চানদনা লন-থুমশিং পৈশিনবগী মরালদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না ইরাই নুমিত্তা ইন্দিয়ন রেভিন্যু সর্ভিস (আই আর এস) ওফিসর অমগী মায়োক্তা দিসপ্রপোর্সনেট এসেট কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে।

সী বি আইগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না, ইনকম টেক্স অপিলেট ত্রাইব্যুনেল, ভিসাখাপটনমগী একাওন্টেন্ট মেম্বর দাসি সাধু সুন্দর সিংহ জুলাই ১দা রেজিষ্টর তৌখিবা এফ আই আর অমদা একুজ ওইনা পল্লে।

ভিসাখাপটনম অমসুং হায়দরবাদতা লৈবা একুজ অসিগী অমসুং মহাক্কী মরী-মতাশিংগী ওফিস অমসুং রেসিদেন্সিএল প্রেমিসিজদা থীবা হুস্বা চথখি অমসুং শেল ওইনা লুপা লাখ ৪.৪২ অমসুং চিংননিংঙাই ওইবা দোক্যুমেন্ট কয়া ফাগৎখি। অতৈ মফমশিংদা থী-হুস্বদসু লুপা লাখ ৩.৭০ রোম ফাখি।

পব্লিক সর্ভেন্ট অসি মহাক্কী লাকফম থোকপা ইনকমগী ছোর্সশিংগা চানদনা লুপা ক্রোর ৩.৫গী এসেটশিং লৈশিল্লম্লে হায়না মরাল শীখিবনি। কুমজা ২০০৮গী এপ্রিল অমসুং কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর মরক্তা একুজ অসিনা মহাক্কী মমিং অমসুং ইমুংগী মীওইশিংগী মিংদা লুপা ক্রোর ৪.৭ রোমগী ওইগদবা ইম্মুভেবল অমসুং মুভেবল এসেটশিং লৈশিনখি হায়নসু মরাল শীখি।

## দিভোটিশিংদা চমন্নহল্লে: টি টি দি

টিরুপতি, জুলাই ০৩ (এজেন্সী):

মিদিয়া হাউস খরনা মালেমদা মমিং লৈরবা লোর্দ ভেনকাতেশ্বারা টেম্পলগী কষ্টদিয়ন ওইরিবা টিরুমানা টিরুপতি দেভাস্থানামস (টি টি দি) গী মরমদা শেমজিন শাজিনবা পাউ কয়া ফোঙদুনা দিভোটিশিংদা চমন্নবা পোকহনবগী থৌওং কন্দেম তৌই হায়না টেম্পল বোদি অসিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মিদিয়া সেক্সন অমনা দিভোটীশিংবু চমন্নহল্লে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা টি টি দিগী ওফিসল অমনা মিদিয়া রিপোর্টশিং অদু অচুম্বা অমত্তা য়াওদে হায়খি। টিরুমালাদা টি টি দিনা ফ্রী সর্ভিসশিং লেপ্পা লৈতে হায়না মহাক্না শেংদোকখি।

টেম্পল বোদি অসিগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২০গী মার্চকী মমাঙদা টিরুমালাদা কাওন্টর ১৭৬ লৈখি। কাওন্টর ৮৬ ত্রিলোক ওপরেট তৌখি, ৪০না তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংনা ওপরেট তৌখি। লদু সেভকশিং কাওন্টর ১৮ অমসুং এফ এম এজেন্সিশিংনা কাওন্টর ২৯ ওপরেট তৌখি। কুমজা ২০২০গী মার্চ মতুংদা বেঙ্কশিং অদু ত্রিলোকশিংনা কাওন্টর ওপরেট তৌবা লেপখি।

টি টি দিনা তোঙান তোঙানবা থবকশিং প্রাইভেট ফার্মশিংদা শিন্নথোক্লে হায়না অন্ধ্র প্রদেশকী হান্নগী সী এম চন্দ্রবাবু নাইদুনা মরাল শীখ্রবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকখিবনি।

## দামগী ৱাফম লৈখাই তানবা টামিল নাদুনা সেন্টরদা তকশিনখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ০৩ (এজেন্সী):

কর্নাটকানা মার্কন্দেয়া তুরেলদা অনৌবা দাম অমা শাবগী ৱাফম অসি লৈখাই তানবা ত্রাইব্যুনেল অমা শেম্নবা টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা মখা তানা তকশিনগনি হায়না থাংজ নুমিত্তা ষ্টেট অসিগী ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর দুরাইমুরুগাননা ফোঙদোকখ্রে।

চেন্নাইদা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা দুরাইমুরুগাননা হায়খি, মার্কন্দেয়া তুরেলগী মপান তাংদুনা হিংজরিবা লৌমীশিং অমসুং অতৈ মীওইশিংগী ইন্টরেষ্ট কন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মথৌ তাবা এক্সন লৌখৎলগনি। সুপ্রিম কোর্টনা কুমজা ২০১৯গী নভেম্বর ১৪দা ইস্যু তৌখিবা ওর্দরগী মতুং ইন্না, রিভর ৱাটর ত্রাইব্যুনেল শেম্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা চহী অসিগী জুন ২৯দা সেন্টরদা ইদুনা তকশিনখি।

কর্নাটকানা মার্কন্দেয়া তুরেলদা টি এম সী ০.৫গী কেপাসিটি ওইবা দাম শাবগী রিপোর্টশিংদা রিএক্ট তৌরদুনা দুরাইমুরুগননা হায়, দাম অদুনা কৃষ্ণগিরি দিষ্ট্রিক্ট লম হেক্টর ৮৭০ রোমদা শোকহল্লগনি। মার্কন্দেয়া তুরেল অসি পেন্নাইয়ুরু তুরেলগী মসা অমনি।

কুমজা ২০১৯দা কর্নাটকানা মার্কন্দেয়া তুরেলদা দাম শাবগী থবক ষ্টে তৌনবা টামিল নাদুনা থাখিবা পিটিসন সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখি।

ইন্টর-ষ্টেট রিভর ৱাটর দিস্প্যুট ত্রাইব্যুনেল অমা শেম্নবা টামিল নাদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা হায়জবা য়াই হায়না এপেক্স কোর্টনা ওবজর্ভ তৌখি।

টামিল নাদুগী অর্গ্যুমেন্টতি তুরেল পরিংগী মখা তাবা শরুক্তা ঈশিং শীজিন্নরিবা ষ্টেটকী অয়াবা লৌদনা তুরেল অদুদা দাম শাবা লোনা য়াদে হায়বসিনি। অমরোমদা, কর্নাটাকানা হায়রি মদুদি, থক্লবা ঈশিংগী তঙায় ফদবা য়েংদুনা দাম শাবনি, অদুনা মসিদা অতৈ ষ্টেটশিংগী পর্মিসন লৌবা মথৌ তাদে।

OFFER OFFER

/ ঙানু মরুম, য়েরুম লেম্না কোঞ্জগনি

লাক্লিবা জুলাইগী তাং ১০ থাংজ নুমীৎতা পুবিরকপা য়েরুম; ঙানু মরুম খূদিংমক অকোনমল লৌদনা লেম্না কোঞ্জগনি। য়েরুম ১০০ শুদ্রবদি পুবিরক্কনু। নোংমাইজিং নুমীৎ খূদিংগী ঙানু মচা, য়েন্নাও Kuroiler, Layer হোঙনা ফংবীগনি। Farmer শিংনা Advance Booking তৌবীয়ু। COVID না ৱাহল্লবা Farmer শিংবু অঙন্বা মতেং খরদং পাংজবা ওইনা খূদোংচাবা অসি পীজবনি।

লেংশিনবীরকসি : **EMOINU HATCHERY**
**Near Eastern Ground, BSNL & Postal Colony, Palace Compound**
HL-P/9978/4 **Phone No. : 9436085117**

**/PENSION BOOK LOST**

ঐগী ইপাগী Pension Book bearing no. SM/2708 ওইবা অসি য়ূমদগী Treasury Office I/E ফাওবা ফোটো কাপ্পা চৎপদা মফম খঙদনা তাহৌরে। কনাগুম্বনা খুনবীবা য়াওরবদি মখাগী মীওই অসিদা শিন্নবীয়ু নৎত্রগা পাউ পীবিয়ু, অৱামল মতিক চানা তৌজগনি।

Sd/- **Yumnam Dhaneshwor Singh**
S/o (L) Y. Mani Singh
Takhel Mayai Leikai, I/E # 7629022771
HL-P/9988/4

### OFFICE OF THE REGISTRAR
### MANIPUR TECHNICAL UNIVERSITY, IMPHAL

(A University established under the Manipur Technical University Act. 2016)
Recognised by UGC under Section 2(f) and Section 22 of UGC Act, 1956
www.mtu.ac.in/www.mtuonline.in

**NOTIFICATION OF ELIGIBLE CANDIDATES FOR INTERVIEW**

Imphal, the 2nd July, 2021

**No.2/3/2016/MTU**: In continuation of this office notification of even no. dated 8th February, 2021 regarding recruitment of Teaching Staffs in Manipur Technical University and on the basis of disposal of claims and objections notified vide even no. dated 1st April, 2021, the list(s) of candidates eligible for Interview has been duly prepared based on academic credentials/documents **(not in order of merit list)** submitted by individual candidates and also after due rectification of genuine claims/objections submitted therein and uploaded in the University Website at www.mtu.ac.in for the following Posts of Assistant Professors.

1. Assistant Professor, Civil Engineering
2. Assistant Professor, Electrical Engineering
3. Assistant Professor, Computer Science and Engineering
4. Assistant Professor, Mechanical Engineering
5. Assistant Professor, Electronics and Communication Engineering
6. Assistant Professor, Management
7. Assistant Professor, Mathematics
8. Assistant Professor, Physics
9. Assistant Professor, Professional Communication
10. Assistant Professor, Psychology

Interview dates/schedule of eligible candidates will be notified in due course of time.

**Sd/- Ng. Bhogendra Meitei**
**Registrar**
**Manipur Technical University**

HL-B/7021/4

### GOVERNMENT OF MANIPUR
### PUBLIC WORKS DEPARTMENT

**/ TENDER NOTICE NO:- 38**

Dated/ Imphal, the 30th June, 2021

The undersigned invite tender in PWD Form- 7/8 on behalf of the Governor of Manipur from the Electrical license contractors enlisted in PWD enrolment list & authorized agents of Manipur who have self registered with Taxation department (Income Tax / GST) Government of Manipur up to 15th July, 2021 up to 3.30 PM.

| Sl. No. | Name of Work | E/Cost | E/Money | Cost of T/Form | Time Allowed |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Impvt. of IEI i/c replacement of existing fixtures by energy saving lamps and MCCB's in the DC bunglow at Ukhrul i/c compound lighting. | Rs. 13,03,186/- | Rs. 26,064/- | Rs. 500/- | 30 days |

The tender will be opened by the undersigned on 15th July, 2021 at 4.00 pm in the presence of the tendered or their authorized representatives. The contractors should submit application for purchase of tender form on or before 9/07/2021.

The tender form will be issued on production of Contractor enlistment with fixed Earnest Money/ Demand Draft/ Banker's Cheque/ Deposit certificate of PWD, Manipur. The term & condition and tender form can be had from the office of the undersigned up to 4.00 PM of 13/07/2021 during the office hour.

The undersigned is not bound to accept the lowest tender and reserves the right to accept all or any part of the tender or to reject all or any part of the tender without assigning any reason thereof.

Sd/- **Executive Engineer,**
**Electrical Division No. II., PWD, Manipur**

HL-B/7019/4

**COMET**
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

**ADMISSION OPEN**
**CRASH COURSE 2021**
**For NEET (Medical) Aspirants**
*Admission form & Prospectus is available Online*

- Last Date of Admission : 6th July., 2021
- Class commencement from : 8th July., 2021

**For Admission & details please Visit Our Website :www.cometcoaching.in**

**Special Features**

- Classes for all subjects everyday for 6 days a weak through recorded videos & Zoom Live classes (Monday to Saturday).
- Assessment test every week on sunday (180 Questions within 3 hrs).
- After test Questions & Answer discussion on the following day of test.
- Doubt clarification & interaction session during Zoom Classes.
- Course duration :- 2 months(likely to be changed, depends on NEET 2021).
- Study Materials will be provided.

**SPECIAL CONCESSIONS FOR BRILLIANT STUDENTS & COMET SCHOOL STUDENTS**

- Freeship for top 25 ranks of Manipur board in Class-X 2019 Batch (Limited seats)
- Freeship for students securing 95% and above CBSE & other Boards in Class-X 2019 Batch (Through Screening Test)
- Fee concessions for COMET School students (Limited seats)

**FIRST COME FIRST SERVE**

HL-B/7014/1,2,3,4

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG IMPHAL EAST, MANIPUR

**Ref. Mutation Case No. 249/SDC/SLG/IE of 2021 Dated:03/07/2021**

(i) Laishram Taruna Devi W/o late Joychandra Singh of Thangal Bazar Prajatantra Building
(ii) Laishram Monish Singh S/o late Arun Singh of Thangal Bazar Alu Gali
(iii) Promila Laishram W/o Late Imocha Singh of Thangal Bazar Alu Gali
(iv) Senny Laishram D/o late Sanjoy alias Menjor Singh of Alu Gali Prajatantra Building .... Petitioners

-Versus-

(i) (late) Laishram Joychandra Singh General Manager Aruna Co-Op Regd. Firm Dealing in Coffee plantation Yunam Leikai
(ii) (late) Laishram Arun Singh S/o Joychandra Singh of Yumnam Leikai
(v) (late) Laishram Imocha Singh S/o Joychandra Singh of Yumnam Leikai
(vi) (late) Laishram Menjor Singh S/o Joychandra Singh of Yumnam Leikai .... Opposite Parties

**/ NOTICE**

Sagolmang, Dated 3rd July 2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ঈ: ঈ: তহশিল খুল নং 11-Khundrakpam পাট্টা নং 846/990 (অনৌবা), দাগ নং 1912, 1916, 1917, 1924, 1925, 1922, 1920, 1923, 1915, 1921, 1914, মোট এরিয়া 10.16 acre (Ten point one six) চাওবা Phourel লৌফমগী Co-Pattadar No. 1, 2, 5, 6 মৃত্যু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পিটিস্নরশিং অসিনা মৃত্যু পাট্টাদারগী মিং কল্লগা পিটিস্নরগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্যু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি / ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি / ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang Imphal East

HL-P/9989/4

### OFFICE OF THE REGISTRAR
### MANIPUR TECHNICAL UNIVERSITY, IMPHAL

(A University established under the Manipur Technical University Act, 2016)
Recognised by UGC under Section 2(f) and Section 22 of UGC Act, 1956
www.mtu.ac.in/www.mtuonline.in

ADVERTISEMENT NO: 02/2021

**NOTIFICATION FOR RECRUITMENT OF ASSISTANT PROFESSOR**

Imphal, the 2nd July, 2021

**No. 2/3/2016/MTU**: Applications in prescribed form are invited from intending candidates for recruitment of 1 (one) Assistant Professor on regular basis in Manipur Technical University (unreserved category) in the Pay Scale Rs.15,600 - 39,100/- + AGP Rs. 6000 (pre-revised) as detailed under

| Sl. No. | Name of the Post | Group of Post | No. of Posts to be recruited | Essential Qualification | Desirable Qualification |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Assistant Professor (Biological Sciences) | A | 1 | As per UGC Norms read with AICTE norms for recruitment as amended from time to time | Ph.D in Applied Biological Sciences such as Micro-Biology, Bio-Chemistry, Bio-Technology, Genetics, Molecular Biology, Pharmacy and Bio-Physics. |

2. Application form can be downloaded from the University Website www.mtu.ac.in for free or can be obtained from the office of the Registrar, Manipur Technical University on payment of Rs. 100/- in cash.

3. Application fee of Rs. 1000/- for UR candidates, Rs. 800/- for OBC and Rs. 500/- for SC/ST/PWD, has to be remitted through NEFT (or) any other mode of online transfer to **State Bank of India, Porompat** Branch on Account No. **35911968092** and IFSC: **SBIN0011626**.

4. Duly filled application form complete in all respect along with relevant documents and proof of fee payment should reach on or before **4:30 pm of 17th July** by registered speed post (or) in person along with proof of remittance of Application Fee to

**The Registrar, Manipur Technical University,**
**Government Polytechnic Campus,**
**Takyelpat, Imphal West,**
**Manipur-795004**

5. Those in service should apply through proper channel.
6. The post so advertised is in the open category.
7. The '**Name of the Post Applying for**' should be clearly super-scribed on the sealed envelope. This office shall not be responsible for any postal delay.

**Sd/- Ng. Bhogendra Meitei**
**Registrar**
**Manipur Technical University**

HL-B/7021/4